Regd. 28436/75; MNP No. 66 | Vol.39 No. 273 | 12 Pages | IMPHAL, SATURDAY, AUGUST 23, 2014 | থরানগী ২৮ নি পানবা, থাঙজ | e-mail: poknaphamdaily@yahoo.co.in | ₹ 4.50

# ꯄꯣꯛꯅꯐꯝ পোক্নফম

www.poknapham.in • THE LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY • www.thepeopleschronicle.in



গুৱাহাতিগী আই তি এ মেখোৱাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মণিপুর পুলিসকী দি আই জি (রেঞ্জ তু) দাঃ এস ইবোচাদা সাহিত্যা একাদেমিগী প্রসিদেন্তনা ত্রান্সলেসন প্রাইজ ২০১৩ খূৎশিন্নবা

নিউ দিল্লীদা, য়ুনিয়ন মিনিস্তর ওব স্তেত ফোর আই বি (ইন্দিপেন্দেন্ত চার্জ), প্রকাশ জাবেদকরনা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা নোর্থ ইস্ত ফিল্ম ফেস্তিবেল মৈরা চুখত্তুনা হৌদোকপা (লাঃ ৫ দা)



### বাইওদিগ্রেদেবল ৱেস্তনা মৈতালদগী হেন্না ফবা শীং শেম্বা য়ারে

# ‘য়োৎ, কৌতা, প্লাস্তিক লৈব্রা হংবগী মহুত্তা মনা-মশিং, চে-চাং ফত্তবা লৈব্রা হায়না হংনরগনি’

*পোক্নফম নিউজ সার্বিস*

**ইম্ফাল, অগস্ত ২২ঃ** মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা প্রোব্লেম অমা হায়রগদি অমোৎ-অকায় মফম চানা হুন্দোক্তবা অমসুং শীং অমদি মৈতাল পুথোক্নবা উ য়াম্থৎখিদুনা মহৌশাগী খল কায়থরকপা অসিনি। অদুবু সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অনৌবা তেক্নোলোজিনা হায়রিবা খূদোংচাদবা অসি কোকহন্নবা তাঞ্জা অদু লাক্লে।

উমংদগী খোম্লকপা উনা-ৱানা অমসুং লৌউ শিংউবদগী লেমহৌবা ফত্তবা মনা-মশিংশিংনা শেম্বা ‘ব্রিকেত’ কৌবা শীং মখল অমা পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা মায় পাক্না শীজিন্নখ্রবা মতুংদা ভারতকী স্তেত অয়াম্বদসু য়াম্না পাম্নবা অমা ওইরক্লে। হায়রিবা শীং মখল অসি স্তেত অসিদসু পুথোক্তুনা শীজিন্নবা ঙম্লবদি প্রোব্লেম খরগী ৱারোইশিন ওইবা ঙম্লগনি হায়না এগ্রিকলচর দিপার্তমেন্ত, সঞ্জেম্থোংদা লৈবা এম এস এফ এ সি (মণিপুর স্মোল ফার্মরস এন্দ এগ্রি বিজিনেল কন্সোর্তিয়ম) গী এক্সপার্তশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ব্রিকেত হায়রিবা শীং মখল অসি

*মখা লামায় ৫, কলম ২ দা*



**(লামায় ১গী মখা)**

উ খায়খিবগী মকুপ, উপাল-ৱাপালগী মনা, ৱাই, চরু অমসুং অতৈ মনা-মশীংগী লেমখাকশিং মেছিনগী মতেঙনা কূপ্না তকখায়রগা য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা উ মকক অমগুম্না শেম্লবা শীং মখল অমনি। মসি মৈ থাবা মতমদা মৈখু থোক্তে। মৈশা য়াম্না কন্না পীবা ঙমই। মৈতালদগী হেন্না মতম শাংনা চাকপা ঙমই। মসিনা চুম্না শীজিন্নরিবা শীং অমসুং মৈতালদগী চাদা ৪০ গী মথক্তা মৈশা হেনবদা নত্তনা মতম কুইনসু চাকপা ঙমই হায়রি।

মৈখু থোক্তবনা মরম ওইরগা এনবাইরোনমেন্ততা কায়হন্দবা, মতম শাংনা মৈ চাকপা ঙম্বা, মৈশা হেন্না পীবা ঙম্বা অমসুং মমল হোঙনা ফংবনা শীং মখল অসি ভারতকী স্তেত অয়াম্বদা য়ূমগী থবক অমসুং ইন্দস্ত্রি অয়াম্বদা শীজিন্নবা হৌখ্রে। মপূংওইনা চেক্নোনশিংদা উ নত্ত্রগা কয়লা মৈ থাবদা মহৌশাগী খলদা কায়হল্লকপা অমসুং শেল য়াম্না চঙবনা মরম ওইরগা শীং মখল অসি মশা মশাগী প্রদক্সন য়ুনিৎ হাংদোক্তুনা পুথোকচরগা শীজিন্নবা হৌখ্রে। মসিগীদমক মিনিস্ত্রি ওব রিন্যুএলব ইনর্জিনা অহেনবা সবসিদি পীদুনা পুক্নীং থৌগৎলি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

কনাগুম্বা এন্তরপ্রেন্যুর অমনা ব্রিকেত হায়রিবা শীং মখল অসি চাং য়াম্না পুথোকপা ঙম্লবদি শেন্থোক চাউনা লৈহন্দুনা মায় পাকপা করবার অমা ওইবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। অমরোমদা, য়ূমগী শীজিন্ননবগীদমক পুথোকচগে হায়রবসু শেল চঙদনা অকক্লবা মেছিন খরগী মতেঙনা পুথোকপা য়াই। হায়রিবা মেছিনশিং অদুসু রো মেতরিএল লৈবা মফম অমদা পুথোক- পুশিন তৌদুনা থম্বদা করিসু অকায়বা লৈতে। হায়রিবা শীং মখল অসি য়েংবদা ফজবা, মশা নানবনা থম্লিংবা মওংদা থম্বা অমসুং পুবা য়াই হায়রি।

স্তেত অসিগী হৌজিক ওইরিবা সোলিদ ৱেস্তকী প্রোব্লেম অমসুং উমং কোকথোকপগী প্রোব্লেম অসিগীদমক শীং মখল অসি খ্বাইদগী মরুওইবা অমা ওইরক্লি হায়নসু ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

শীং মখল অসি পুথোরকপদা স্তেত অসিগী রাইস মিলশিংদগী পুথোরকপা ৱাইকুপ, সো মিলশিংদগী পুথোরকপা উকুপ, লৌবুকশিংদা লৈরিবা চরু-চনাই, ইমুং-মনুংদগী থোক্লকপা মনা-মশীংগী লেমখাক, কৈথেলদা চাইথোক্লিবা বাইওদিগ্রেদেবল ৱেস্ত খুদীংমক অমত্তা লেম্না মাঙহন্দবা য়াগনি। মসিগী মথক্তা মণিপুর সরকারনা পায়খৎলিবা সোলিদ ৱেস্ত মেনেজমেন্ত প্রোজেক্ততা অসিগুম্বা থৌরাং অসিনা অচৌবা মতেঙ অমা ওইরগনি হায়রি।

কান্নফম খঙদনা হুন্দোক্লরিবা পোৎলমশিং অসিনা হেন্না দিমান্দ লৈরক্তুনা শেল পীদুনা লৈনরকপা মতমদদি স্তেত অসিদা মীওই কয়াবু শিনফম ওইহন্দুনা য়ূমথোঙ খুদীংদা য়োৎ, কৌতা, প্লাস্তিক লৈব্রা হায়দুনা থিবগী মহুত্তা মনা- মশীং, চে-চাং ফত্তবা লৈব্রা হায়না থিনরগনি। মসিনা শীং ওইনবগীদমক উ য়াম্থৎপা কনবদা নত্তনা সহরদা মোৎশিল্লিবা অসি ঙাকথোক্লবগী অচৌবা লম্বী অমসু ওইরগনি। কনাগুম্বনা হেন্না খঙনিংবা লৈরবসু এম এস এফ এ সিগী এক্সপার্তশিংদগী খঙবা য়াগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।